# অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক টালিবানগী কো ফাউন্দর বরাদার কাবুলদা থুংলখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক টালিবানগী কো ফাউন্দর মুলা অব্দুল ঘানি বরাদার ঙসি কাবুলদা থুংলখ্রে হায়না টালিবানগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা টালিবানগী মেম্বরশিংনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংগী মতাংদসু থিগত্তুনা অরানবা থবক চথখিবশিং চৈরাক পীনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

যু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা অমেরিকাগী মোষ্ট ৱান্টেদ টেরোরিষ্ট খালিল হকানি য়াওনা টালিবানগী লুচিংবা কয়া হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কাবুলদা মীয়াম্না উরি। টালিবানগী সেনিয়র ওফিসল অমনা এ এফ পি ন্যুজদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না কো ফাউন্দর বরাদারনা জিহাদি লুচিংবশিং অমদি নৌনা শেমগৎকদৌরিবা লৈঙাক অসিগী পোলিটিসিয়নশিং উন্নদুনা ৱারী শাগনি। বরাদার হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কটারদগী অফঘানিষ্টানদা থুংলখিবনি।

মহাক্লা অফঘানিষ্টানদা থুংলরবা মতুং টালিবানগী হৌরকফম ওইরিবা লৈবাক অদুগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি কানধাহারদা লৈখিবনি। মহাক্লা লৈবাক অদুদা হল্লকখ্রবা মতুং লালহৌলূপ অসিনা অফঘানিষ্টানদা হান্নগা মান্নদবা মীয়াম্না য়াবা অনৌবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবদা চয়োল খরগী মনুংদা অফঘানদা অনৌবা লৈবাক অমা লাক্লগনি। টালিবাননা অফঘান মপুং ফানা খুদুম চনখিবা অসি চয়োল অমরোম ফাজিল্লক্লে। অদুবু তোঙান তোঙানবা ইন্তরনেসনল এক্ট অমদি এদভোকেসি গ্রুপশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিংগী মথক্তা টালিবানগী মেম্বরশিংনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। ঐখোয়নসু মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংগী মায়োক্তা ওৎ নৈবগী থবক মফম খরদা চথরি হায়বগী পাউফংলে। করিগুম্বা হায়রিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরল্লবদি চেন্নরিবশিংগী মথক্তা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌরগনি হায়রি।

# যু এস ফোর্সশিংদা এটৈক চথরক্লবদি মদুগী চপ চাবা চৈথেং টালিবাননা শোয়দনা ফংগনি : জো বাইদেন

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী কাবুল এয়রপোর্টতা হৌজিক হৌজিক মখোঁ তৌদুনা লৈরিবা যু এস ফোর্সশিংদা করিগুম্বা টালিবাননা এটৈক চথরক্লবা নৎত্রগনা অমেরিকান ফোর্সশিংনা কাবুল এয়রপোর্টতা চথরিবা ওপরেসনশিংদা অপনবা পীরক্লবদি মদুগী চপ চাবা চৈথেং টালিবানশিংনা ফংগনি হায়না যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ৱার্নিং তৌরকখ্রে।

হ্বাইট হাউস ন্যুজ কনফরেন্সতা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা টালিবান লুচিংবশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা খঙহনখিবা লৈখ্রে। কাবুল এয়রপোর্টকী অকোয়বদা অফঘানিষ্টানদা লৈবা আই এস আই এসকা মরী লৈনবা লালহৌলূপশিংনা টেরোরিষ্ট থ্রেট পীরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

হীরম অসিগী মতাংদা যু এসনা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি। অফঘানিষ্টানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লৈহল্লকপা হায়বসি যু এসকীসু অপান্থনি। অদুবু করিগুম্বা অমেরিকান ফোর্সশিংদা এটৈক চথরক্লবদি মদুবু টেরোরিজমগী থৌওং অমনি হায়না লৌবগা লোয়নননা কাউন্টর টেরোরিজম মিসন কয়া অফঘানিষ্টানগী মফম মফমশিংদা চথগনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট টোনি ব্লিনকন অমদি অতোপ্পা এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসরশিংনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা নেটোগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নখিবা অদুদা অফঘানিষ্টানবু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা টেরোরিষ্টশিংনা বেজ কেম্প ওইরগা এটৈক চথহন্দনবগী মতাংদা খন্নখ্রে। হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা অমেরিকান ফোর্সশিংনা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা নেটো ক্রুপশিংগা অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা ওপরেসন কয়া মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

হৌজিক ঐখোয় লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনরি। ঐখোয়না অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকানশিং অমদি অফঘান পার্টনরশিংগী সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মহাক্লা বৃটেন, জর্মনি অমসুং ফ্রান্সকী প্রাইম মিনিষ্টরগা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-৭ মিটিংতসু মালেমগী লুচিংবশিংনা তংদু লৈতাবা অফঘানিষ্টান অমা ওইহন্নবগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নগনি। মসিদা নত্তনা অমেরিকানা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংগা খুৎশম্নরগা অফঘান রিফ্যুজিশিংদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবগী ফিরেপ লৌখ্রে। পনবা য়াবদি যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ফোরেন ক্রুপশিং ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লৌথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা থুনা য়াঙনা অফঘান কন্ত্রোল তৌশিনখিবনি।



## হান্নগী এন্টি করপসন কম্মিটিগী চীফ চোকি টাবিব হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রে

*টুনিস, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :*
*টুনিসিয়াগী হান্নগী এন্তি করপসন কম্মিটিগী মকোক থোংবা চোকি টাবিব হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কম্মিসন অসিগী হেদ ক্বার্টরসু কন্ত্রোল তৌখ্রে।*

*ইন্দিপেন্দেন্ট ওথোরিটি অমা ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তগী চোকি টাবিবনা কুমজা ২০২০ ফাওবা এন্তি করপসন কম্মিটি অসিগী চীফ ওইনা থবক তৌদুনা লাকখি। মহাক কুমজা ২০২০ দা মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ইলিস ফাখফাখনা মফম লৌথোক্লমখি। হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রবা টাবিবনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী ময়ুম মমাংদা সিক্যুরিটি কেম্প অমা হাংদোরকখ্রবা মতুং মহাক্লা থিজিল্লুবদা মহাকপু হাউস এরেষ্ট তৌনবা থমখিবা ওইরমখি। মসি লৈবাক অদুগী লো অমসুং কন্সটিট্যুসননা মহাক্কীদমক্তা পীরিবা হক খোঙ্গোয়নবনি। থৌওং অসি মহাক য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।*

*হীরম অসিগা মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক মমাং থাদা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট কাইস সাহিদনা মরাল লৈবা মীপুম খুদিংমক লোগী ওইবা মীৎয়েংদা চপ মান্নবা চৈরাক পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা করপসনগী চাজশিংদা চেন্নবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপগী থবক চথবা হৌরকখিবনি হায়রি।*

## কেনেরি আইলেন্দ মনাক্তা হি মথক মখা ওনবদা মীওই ৫২ শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি

কেনেরি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
স্পেনগী কেনেরি আইলেন্দদগী কিলোমিটর ২২০ লোম চৎলগা লৈবা অটলান্টিক ওসিনগী শরুক অমদা থোকখিবা হি মথক মখা ওনবগী থৌদোক অমদা মীওই ৫২ হেন্না শিরম্বা য়ানা লৈ হায়না স্পেনগী মেরিটাইম রেস্ক্যু সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু সার্ভিস অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী নুপী অমদি তেক্তা কায়দনা কনবা ঙমখ্রে। হী অদুদা তোংখিবশিংগী মনুংদা হিংহৌরিবা মীওই অসি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রবা নুপী অদু খক্তনি। হি অদু চয়োল অসিগী অঙনবদা অফ্রিকাদগী মাইগ্রেন্ট অমদি রেফ্যুজি ৫৩ পুদুনা ঈশিংগী ঈমায়দা লাকখিবনি।

কেনেরি আইলেন্দগী খা থংবা শরুক্তা থোকখিবা হি মথক মখা ওনবগী থৌদোক অদু মার্সিয়েল সিপ অমনা ইহান হান্না থেংনখিবগা লোয়নননা স্পেনিজ ইর্মেজন্সি সার্ভিসতা পাউ পীরকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু সার্ভিস ওফিসলশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চখনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক মফম অদু য়ৌশিনখিবা মতমদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রবী নুপী অদুগী নাকলদা অশিবা নুপা অমা অমদি নুপী অমগী হকচাং থেংনখি। থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা ৱেদর কন্দিসনসু কা হেন্না ফৎখিদবা মরম্না মী কনবগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

## অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা টালিবানশিংনা ওৎ নৈবগী থবক চথরি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা লৈবাক অদুগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা মালেমগী মীয়ামশিংদা পাউ খঙহনবগী থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা টালিবান ফাইটরশিংনা অঙম্বা থাক্তা ওৎ নৈবগী থবক চথরি হায়না যু এস গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা মখা তানা জর্নেলিষ্টশিংগী নীং খা তম্বদা লালহৌলূপ অসিনা খুৎ থিংজিন্দনবা খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় নেট প্রাইজনা ফোঙদোকখিবদা টালিবানশিংগী মতাংদা পাউ ফোঙলুবা জর্নেলিষ্টশিং লালহৌলূপ অসিগী মেম্বরশিংনা ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা অমদি অকি অখং পোকহনবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চথরি। মসি য়াম্না লাইবকথিবা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মায়োক্তা ৱাশিংটননা মতম পুম্বদা লেপকনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদসু জর্মনিদা বেজ তৌবা দি দব্লিউ ন্যুজ চেনেল অমগী জর্নেলিষ্ট ফাদুনা হাৎনবা হোৎনখি। জর্নেলিষ্ট অদুগী কাবুলদা লৈবা ময়ুমদা চত্তুনা মহাক ফংনবা থিখি। অদুমওইনমক জর্নেলিষ্ট অদুদি মখোয়না থিবা ফংখিদে। অদুবু মহাক্কী মরী মতা অনী টালিবানশিংনা কাপ্তুনা হাৎখি। মসি মীওইবগী মীনুংশিংগী ৱাংমদনি হায়রি।

## ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলক্লি

মেলবোন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা তোঙান তোঙানবা সিটি খরদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস ৮৮৬ থেংনখিবগা লোয়নননা ঙসি সিদনিদা মীয়াম্না এন্টি লোকদাউন প্রোটেষ্ট অমা চথনবা প্লান তৌরমখিবা অদু পুসিলনা থিংজিন্দুনা মায় পাকহনখিদ্রে হায়রি।

ন্যু সাউথ ৱেলস, ভিক্তোরিয়া ষ্টেট অমদি সিদনিদা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস থেংনবগী চাং অসি হান্নদগী তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি। লায়নননা লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা সিটিশিং অসিদা লোকদাউন থমজিল্লকখিবা অদু অমুক হন্না লৌথোক্লবা মীয়াম্না তক্কন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু লোকদাউন লৈরবসু লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী চাং হন্থরক্তবনা মরম ওইরগা হেন্না কনবা মখলগী লোকদাউনশিং অমুক থমজিনখিবনি।

অমরোমদা থা অনী রোম হায়রিবা সিটিশিং অসিদা অকনবা লোকদাউন থমজিনখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগীদমক য়েংদুনা লোকদাউন কোমথোক্লবা মরু ওইনা সিদনিদা লৈরিবা মীয়াম্না মরী লৈনবশিংদা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি।

## চাইনিজ নেসনলশিংদা টর্গেট তৌরগা চথরকখিবা এটৈকতা অঙাং ২ শিরে



ক্বেটা, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী খা থংবা শরুক্তা চাইনিজ নেসনলশিংদা টর্গেট তৌরগা চথরকখিবা সুসাইদ বোম্বিং এটৈক অমদা য়ামদ্রবদা অঙাং অনী শিরে অদুগা চাইনিজ সিটিজন অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু গ্বাদা পোর্ট সিটিদা থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অসিদা চাইনিজ ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট অমা মিল্লিয়ন দোল্লর কয়া চঙনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা সেনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিবা হায়ৱে অদুদগী চাইনিজ ৱার্করশিং পুদুনা হল্লকখিবা গাড়ী অমদা সুসাইদ বোম্বর অমনা টর্গেট তৌরগা এটৈক চথরকখিবনি।

থৌদোক অদুদা চাইনিজ নেসনল অমা বোম মচেৎনা পানবদগী শোকখি অদুগা লম্বী মনাক্তা শান্নদুনা লৈরম্বা অঙাং অনীনা শিখিবনি। পুলিস ওফিসলশিংগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা অঙাং অমসু অরুবা ফীভমদা শোকখি। পাকিস্তানদা লৈরিবা চাইনিজ ৱার্করশিংদা এটৈক চথবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মমাং থাদসু চাইনিজ নেসনলশিং পুবা বস অমদা সুসাইদ এটৈক চথদুনা চাইনিজ নেসনল ৯ হাৎপগী থৌদোকসু থোকখ্রে।

ꯊꯕꯛ ꯄꯤꯖꯕ
Akoimart Live Easy
A Brand Name of Regd. Firm
M/s. Akoi Services & Maketing Solutions,
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur -795005

As the organization requires more staffs for its further expansion, applications are invited from experienced and dedicated persons who can deliver their responsibilities to their services for the following posts. Candidates who require the job may apply as per terms of submission given here under.

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification & Age | Experience |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Business Development Executive (BDE) | 04 | MBA/BBA/Graduate Eligible Age: 24 to 35 Years old. | Fresher/ Experienced (Language in Hindi & English should be fluent along with Computer Knowledge.) |
| 2 | Accountant | 02 | MBA (Finance)/ M.Com/ B.Com Eligible Age: 24 to 35 Years old. | Fresher/ Experienced (Language in Hindi & English should be fluent along with Excellent Computer Knowledge.) |
| 3 | Driver (Light & Heavy) | 04 | Class X and Above Eligible Age: 23 to 40 Years. | Candidate should have valid smart Driving License for Light/Heavy Vehicles. |

Kindly Submit your updated CV on or before 26th August, 2021 at E-mail ID: akoimart24@gmail.com or call at 9366095791.
*Salary will be fixed as per qualification, status and experience of the candidates.*

HL-P/3883/21,22 & 23

GOVERNMENT OF MANIPUR
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs**
**1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Line, Imphal, Manipur**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**
Imphal, the 20th August, 2021

**No. A/PM-2/OBC-2020/717 :** This is for information of all concerned that the lists of tentative eligible OBC & EBC students for award of OBC Pre-Matric Scholarship (3,496 nos. of students), OBC Post-Matric Scholarship (22,580 nos. of students) and EBC Post-Matric Scholarship (288 nos. of students) for the year 2020-21 are hereby notified and the same can be seen in the Directorate's website: **www.manipurobcsc.gov.in.** Claim & objection, if any, may be submitted on or before **28th August, 2021** after which no further complaint will be entertained. E-disbursement will be subject to release of fund by the Finance Department, Government of Manipur.

2. For further details, contact the Scheme Officer (OBC & SC), Manipur during office hours or at the enquiring mail : mobc-scholarships@googlegroups.com.

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
*Director (OBC & SC), Government of Manipur*
*HL-B/7099/22*

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur - 795001
**CIN:U40101MN2013SGC008343**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**
Imphal, the 21st August, 2021

**No. 14/82/2019-MSPDCL(HR)/Pt-I/1580-85:** In continuation of this Office Notification of even no. dated 22nd March, 2021, it is hereby notified for information to all concerned that the list(s) of candidates **eligible and not eligible** for appearing in the Written Exam was circulated vide Notification no. 14/82/2019-MSPDCL (HR)/Pt-I dated 22nd March, 2021 inviting claims/objections, if any, from all concerned to be submitted to the undersigned on or before **4:00 PM of 6th April, 2021**.

And whereas, due consideration were taken into accounts of the claims/ objections received.

Now, therefore, the Final list(s) of candidates **eligible and not eligible** for appearing in the Written Exam is hereby notified and uploaded in website www.manipur.gov.in and www.mspdcl.com for information of all concerned.

Sd/- **Ng. Subhachandra Singh**
Managing Director, MSPDCL
HL-B/7096/22 & 23

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 211,509,722 | +683,645 | 4,426,809 | +10,277 | 189,259,025 | 17,823,888 |
| 1 | USA | 38,398,596 | +151,108 | 644,281 | +1,059 | 30,439,239 | 7,315,076 |
| 2 | India | 32,392,506 | +34,296 | 433,998 | +376 | 31,590,386 | 368,122 |
| 3 | Brazil | 20,528,099 | +33,887 | 573,658 | +925 | 19,413,552 | 540,889 |
| 4 | Russia | 6,705,523 | +20,992 | 174,485 | +785 | 5,983,405 | 547,633 |
| 5 | France | 6,579,675 | +22,319 | 113,186 | +83 | 6,013,916 | 452,573 |
| 6 | UK | 6,429,147 | +37,314 | 131,487 | +114 | 4,986,845 | 1,310,815 |
| 7 | Turkey | 6,177,690 | +19,918 | 54,095 | +204 | 5,682,123 | 441,472 |
| 8 | Argentina | 5,124,963 | +8,160 | 110,070 | +229 | 4,796,048 | 218,845 |
| 9 | Colombia | 4,883,932 | +3,416 | 124,023 | +122 | 4,710,952 | 48,957 |
| 10 | Spain | 4,770,453 | +12,450 | 83,136 | +132 | 4,078,846 | 608,471 |
| 11 | Iran | 4,616,516 | +28,833 | 100,810 | +555 | 3,868,196 | 647,510 |
| 12 | Italy | 4,471,225 | +7,224 | 128,683 | +49 | 4,211,080 | 131,462 |
| 13 | Indonesia | 3,950,304 | +20,004 | 123,981 | +1,348 | 3,499,037 | 327,286 |
| 14 | Germany | 3,863,451 | +8,942 | 92,465 | +18 | 3,693,400 | 77,586 |
| 15 | Mexico | 3,175,211 | +23,006 | 251,319 | +850 | 2,503,833 | 420,059 |
| 16 | Poland | 2,886,291 | +212 | 75,315 | +4 | 2,655,891 | 155,085 |
| 17 | South Africa | 2,666,964 | +14,312 | 78,983 | +289 | 2,418,988 | 168,993 |
| 18 | Ukraine | 2,271,826 | +1,600 | 53,394 | +26 | 2,200,000 | 18,432 |
| 19 | Peru | 2,140,062 | +1,396 | 197,752 | +36 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,913,908 | +2,209 | 17,939 | +6 | 1,803,107 | 92,862 |
| 21 | Iraq | 1,815,497 | +6,121 | 20,025 | +67 | 1,641,870 | 153,602 |
| 22 | Philippines | 1,807,357 | +16,788 | 31,198 | +317 | 1,652,715 | 123,444 |
| 23 | Czechia | 1,677,208 | +167 | 30,384 | | 1,645,130 | 1,694 |
| 24 | Chile | 1,632,441 | +752 | 36,566 | +42 | 1,588,536 | 7,339 |
| 25 | Malaysia | 1,513,024 | +23,564 | 13,713 | +233 | 1,241,894 | 257,417 |
| 26 | Canada | 1,465,866 | +2,960 | 26,789 | +6 | 1,415,819 | 23,258 |
| 27 | Bangladesh | 1,453,203 | +5,993 | 25,023 | +145 | 1,347,755 | 80,425 |
| 28 | Japan | 1,226,418 | +24,233 | 15,534 | +33 | 1,024,324 | 186,560 |
| 29 | Belgium | 1,161,558 | +2,192 | 25,312 | +7 | 1,083,370 | 52,876 |
| 30 | Pakistan | 1,116,886 | +3,239 | 24,783 | +70 | 1,002,430 | 89,673 |
| 31 | Sweden | 1,116,584 | | 14,629 | | 1,081,742 | 20,213 |
| 32 | Romania | 1,089,817 | +628 | 34,388 | +9 | 1,051,504 | 3,925 |
| 33 | Portugal | 1,014,632 | +2,507 | 17,622 | +9 | 952,094 | 44,916 |
| 34 | Thailand | 1,009,710 | +19,851 | 8,826 | +240 | 795,805 | 205,079 |
| 35 | Israel | 978,212 | +4,908 | 6,759 | +7 | 907,854 | 63,599 |
| 36 | Hungary | 810,781 | | 30,046 | | 769,777 | 10,958 |
| 37 | Morocco | 799,775 | +8,216 | 11,587 | +115 | 707,143 | 81,045 |
| 38 | Jordan | 788,088 | +721 | 10,273 | +9 | 765,509 | 12,306 |
| 39 | Switzerland | 752,761 | +2,575 | 10,936 | +2 | 700,097 | 41,728 |
| 40 | Nepal | 744,307 | +2,079 | 10,455 | +26 | 693,543 | 40,309 |
| 41 | Serbia | 739,561 | +1,592 | 7,195 | +7 | 715,033 | 17,333 |
| 42 | Kazakhstan | 723,064 | +7,348 | 8,106 | +118 | 597,850 | 117,108 |
| 43 | UAE | 707,236 | +1,070 | 2,014 | +2 | 687,644 | 17,578 |
| 44 | Austria | 674,077 | +1,258 | 10,761 | +1 | 652,180 | 11,136 |
| 45 | Tunisia | 635,455 | +3,127 | 22,394 | +90 | 587,780 | 25,281 |
| 46 | Lebanon | 589,597 | +1,019 | 8,004 | +5 | 544,324 | 37,269 |
| 47 | Cuba | 564,011 | +9,764 | 4,397 | +78 | 513,108 | 46,506 |
| 48 | Greece | 554,055 | +3,596 | 13,295 | +30 | 500,927 | 39,833 |
| 49 | Saudi Arabia | 541,201 | +458 | 8,458 | +9 | 527,189 | 5,554 |
| 50 | Georgia | 506,040 | +4,743 | 6,649 | +59 | 440,370 | 59,021 |